GAS Today
₹ vs € ₹ 80.31 Vs €1
₹ vs $ ₹ 65.21 Vs $1
₹ vs £ ₹ 92.99 Vs £1
Temperature 16/29°C
Weather Mostly Sunny
Sunrise : 4:52 AM
Sunset : 5:37 PM
24 Carat : ₹ 3,096/Gm
22 Carat : ₹ 2,838/Gm
1 Kg Silver : ₹ 38,634
10 Gram Silver : ₹ 386
Imphal, April 16, 2018 Monday Vol : XIX/205
ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬, শগিনু ৩০ নি পানবা নিংথৌকাবা তোল্লাম ১৯।২০৫
Rs. 4.50
PAGES : 12

সঙাই এক্সপ্রেস

MANIPUR'S LARGEST CIRCULATED MANIPURI DAILY www.thesangaiexpress.com

ইম্ফাল ইভিনিংগী মশা অমা ওইনা সিনে কেফে অমা পেলেস কম্পাউণ্ডদা লৈবা এমএসএফডিএসকী ওডিটোরিয়মদা হাংদোকপা

ডিজিটেল মণিপুর কৌবা লোকেল ৱেবসাইট অমা এমজি এভেন্যুদা লৈবা হোটেল য়াইফবদা হৌদোকখিবা

ৱার্ক্সকি দিবিজন মরীগী কনট্রেক্তরশিংগী একাউন্ট ফ্রিজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ শাশিন্নবা সিডিএ শীজিন্নদুনা য়াম্লবা শেনফম কায়থোক্লবা হোৎনরম্বগী মরিদা পুলিসনা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকি দিবিজন মরিগী মখাদা থবক শুরিবা কনট্রেক্তরশিংগী বেঙ্ক একাউন্টশিং ফ্রিজ তৌখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকি সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈবা দিবিজন মরী – এনঐচ–২, ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল অমসুং সদর হিলসকি মখাদা থবক শূরিবা কনট্রেক্তর ২০ লোমগী বেঙ্ক একাউন্টশিং অদু ফ্রিজ তৌরে হায়রি।

পুলিসকি থিজিনবা অদুদা মীওই অমসু ফাখি হায়না পুলিস ওফিসার অদুনা ফোঙদোক্লদুনা হৌজিক মখা তানা কৃপ্পা থিজিল্লি হায়রি।

মেরি কোম গোল্ড লৌদুনা পুৱারি শেমখ্রে

গোল্ড কোষ্ট, এপ্রিল ১৫ঃ থা অসিগী ৪দগী চথরকখিবা ২১ শুবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসকী মনুং চন্না হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী কেজি ৪৮ লাইট ফ্লাইৱেট কাঙলুপকী ফাইনেলদা মনিপুরগী এমসি মেরি কোমনা মশাগী চহি ২২খক ঙায়রিবী নোর্থন আইয়রলেণ্ডগী খৃষ্টিনা ওহারাবু ৫–০দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীদুনা কম্মনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেদল লৌবা ইনিদয়াগী অহানবা নুপী বোক্সর ওইখ্রে।

লন্দন ওলেম্পিক গেমস ২০১২ দা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবদা নত্তনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারকসু ওইখবী মশাগী চহি ৩৫ শুরবী মেরি কোমনা মহাক্কী অহানবা অদুগা অরোয়বসু ওইবা য়ানা লৈরিবা কম্মনৱেল্থ গেমস অসিগী নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরমদসু ইন্দিয়াগী লেমজনিংঙাই ওইরবা ফ্লেগ বিয়রর ওইখি।

রধাকুমারনা রেজিষ্ট্রার

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ প্রাইম মিনিষ্টর এডমিনিষ্ট্রেটিব এক্সিলেন্স এৱার্ডসু ফংখ্রবা থবক্তগী পোথাখ্রবা আইএএস ওফিসার কাংজম রধাকুমারবু নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিবর্সিটি, মণিপুরগী অহানবা রেজিষ্ট্রার ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসনা হাপখ্রে।

তুরেল খোঙনুং

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ ঃ তুরেলগী তোর্বান শেমজিনবগী মথক্তা খোংনুং হেন্না লুথহল্লবদি ঈচাও থেংনবা ঙমগনি হায়না সিব সেনা, মণিপুরনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী থাউ মমল

ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট

পেট্রোল :লুপা ----, ৭২.০৫
এক্সপি :লুপা ----, ৭৫.০৫
দিজল :লুপা ----, ৬৩.১৩

ঙসিগী চোইরোল

- কদায়দগী ঙানো অদুদি ?
- কৈথেন্দগীনিদনা।
- হৈমা ! লৈরক্লিবা ?
- কৈথেন্দগীবু রৈকপা নত্তবদি লাক্লক্কদ্রা ?
- অমুক্তা লৈরক্তগা ঙসি থৱায় য়ান্না তানা লৈরকপা অদুদা হংবনিদা।
- নুপী কৈথেন্দা নুপা ফম্বা য়াররোই হায়বদুদা নুংঙাইদনা লৈরকপনিদনা।
- নুপা ফম্বা য়াররোই হায়বদুদা মোইমপানা নুংঙাইরিসিবু করিদনো খঙজনিংখ্রেদনা।
- খঙনিংব্রা ?
- খঙনিংই, তশেংনা খঙনিংই।
- হো নুপা ফম্বা য়াদ্রবনিনা নঙগী পোৎফম মনাক্তা উতিন মানবা অমা হেক হেক ফম্বদু ফম্বা য়াররোইদনা। অদুদা নুংঙাইরিবা।
- হা !!!

ওঙ্গোকপবিদা !



গবর্ণমেন্টকি ওফিসিয়েলশিংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়,

থৱায় য়াওনা, থম্মোয় শেংনা থবক তৌসি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ সেন্টর গবর্ণমেন্টকী থৌরাং অমা ওইনা থা অসিগী ১৪ দগী হৌদুনা মে মঙা ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা 'গ্রাম স্বরাজ অভিয়ান' অমসুং ষ্টেট অসিগী থৌরাং অমা ওইনা পায়খৎকদৌরিবা 'খুঙ্গং চৎলো' হায়বা থৌরাংশিং অসি মায় পাক্না পাঙথোক্নবা গবর্ণমেন্ট ওফিসিয়েল খুদিংমক্না থৱায় হকচাং য়াওনা অমদি পুকচেল শেংনা থবক তৌনবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা আপিল তৌখ্রে।

ঙসি হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা 'সমাজিক নয়া দিবস' (অম্বেদকার জয়েন্তি) থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মথক্কি ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা অম্বেদকার জয়েন্তি থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা বিআর অম্বেদকরগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, সোসাইটি অমদা অহোংবা অমা পুরকপা হায়বা অসিদা অপুনবগী পাঙ্গল (পুন্না হোৎনমিন্নবা) অমা চংই মীয়াম য়াওদনা লেজিলেচর অমদি ইগজিক্যুটিবখক্তনা খুনাই অমগী মাইয়োন অমা অফবা লম্বীদা চুম্বা ওইথোক্লোই।

মান্নবা খুনাই অমগী অমদি ইং–তপ্পা লমদম অমা পুরক্লবা পান্দদা লৈঙাক অসিনা 'গো টু ভিল্লেজ' হায়বা থৌরাং অসি লৌখৎপনি। মসি লৈঙাক অসিনা লমদম অসিগী মীয়াম মরু ওইনা খুঙ্গংগী লাইরবা প্রজাশিংগীদমক্তা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং এৱার্নেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্তুনা মমুৎ তানা খঙহন্দুনা মসিগী খুদোং চাবা ফংহন্নবা পান্দমদা পায়খৎপা থৌরাংনি হায়খি।

লৈঙাক অসিনা হৌখিবা চহি অমা অসিদা মীয়ামগী পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিং পুন্নমক্লা উরে হায়বা ৱাফম থল্লদুনা মহাক্না হায় লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা অমদি মদুবু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগনি।

নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ওর্গনাইজ সেক্তরগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা মখোয়গী মত লৌবা অমদি করি তৌগদগে হায়বা তান্নবগী থৌরাং লৌখৎলে। মসিগী শরুক অমা ওইনা এসআইগী লেবেলদগী হৌরগা পুলিস ওফিসারশিংগসু উনদুনা ৱারী শানবগী থবক লৌখৎলগনি হায়খি। অনৌবা টেক্লোলোজি অমদি গেদগেটশিং থোক্লকপগা ইরোয়ননা ক্রাইম কয়া থোরক্লিবা অসি হুহহন্নবা অচৌবা লম্বী অমদি এদুকেসন অমদি এৱার্নেস পীবা হায়বসিনা ওইগনি হায়বা ৱাফম চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিদা নুপীগী মথক্তা চথবা ক্রাইমশিংগী অচুম্বা ৱায়েল অথুবা মতমদা ফংহন্নবা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট লিদুনা মথৌ তৌরি অদুবু মসিনা ক্রাইমশিং অসি পুমথিং থিগনি হায়বা লৈতবনা খ্বাইদগী মরু ওইরিবশিং ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা এদুকেসন নিংথিনা পীবা এৱার্নেস নিংথিনা পীবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়বা ৱাফম মহাক্না থমখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা লমদম অসিগী মীয়াম অসি (মণিপুরীশিং) অসি অসুক্কী মতিক টেলেন্ট লৈজবা কাঙলুপনি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা মহাক্না হায়, ঐখোয়না মতমগী মমল খঙনা থবক তৌরবা, পৈশাগী ভেল্যু খঙনা থবক তৌরবা অমদি অমগা অমগগী মরক্তা খাইবুং তান্নবগী ৱাখল্লোন থাদোক্লবদি মণিপুরী খুনাই অসি কনাগুম্বা কাঙলুপ ফুরুপ অমত্তনা নমথবা ঙম্লোই।

বিআর অম্বেদকারনা লৈবাক অসিদা তৌরম্বা খুদোলশিং শিংথারদুনা মহাক অসি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্কিটেক অমা ওইবদা নত্তনা রিফোর্মিষ্ট অমা ওইনা শোক্ল শম্লবা য়াদবা অমদি জাৎ কুচু নায়বা নিতি নিয়মশিংগী মায়োক্তা লৈবা মীশক অমনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা শিংথাখি।

থৌরম অদুবু প্রিসাইদ তৌখিবা আরদি এন্দ পিআর মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টকী মখাদা পায়খৎলিবা স্কিমশিং মরু ওইনা সৌভগ্য, উজলা স্কিম, প্রধান মন্ত্রি জনধন যোজনা, প্রধান মন্ত্রি জিবন জয়োতি বিমা যোজনা, প্রধান মন্ত্রি সুরক্ষ্য বিমা যোজনা, মিসন ইন্দ্রধনুশ অমদি বেতি বচাও বেতি পরাও হায়রিবা থৌরাংশিং অসিগী মতাংদা ৱাফমশিং থমখি।

মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা 'সবকা সাথ, সবকা গাও, সবকা বিকাস' হায়বা থিম অসিগী মখাদা থা অসিগী ১৪ দগী মে মঙা ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংনা 'গ্রাম স্বরাজ অভিয়ান' থৌরম পাঙথোক্কদবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা পঞ্চায়টি রাদ ইন্সটিট্যুসনগী ইলেক্তেদ রিপ্রজেন্টেটিবশিং, দিপুটি কম্মিসনারশিং অমদি মহাক্কী মখা থাবা ওফিসিয়েলশিং য়াওনা গবর্ণমেন্ট মেছিনরিশিংনা গ্রসরুট লেবেলদগী হৌরগা মীয়ামগা হকথেংননা ৱারী শাদুনা সেন্টরনা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙহন্দুনা মসিগী খুদোং চাবা ফংহন্নবা প্রোগ্রামনি হায়খি।

মরমসিনা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরগী মংলান অসি মংফাওনহন্নবা হোৎনবদা দিসিশিং অমদি গবর্ণমেন্ট ওফিসিয়েলশিংনা মরু ওইনা দাইত্ব লৌবীয়ু হায়নসু মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা আপিল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এমএলএশিং ও লুখোই, ঙমথং হাওকিপ, এল সুসিন্দ্রো, চীফ সেক্রেটরি দাক্তর জে সুরেস বাবু, পঞ্চায়েটি রাজ ইন্সটিট্যুসনশিংগী মীহুৎশিং অমদি ষ্টেট অসিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

মীয়ামগী নুমিৎতা মী ১৫০০ রোমগী ৱাকৎ ৬০০ লোম তাখি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ সিএম সেক্রেটরিয়েৎতা ঙসি অয়ুক পুং মাপনদগী নুংথিল পুং অমা ফাওবা পাঙথোকখিবা 'মীয়ামগী নুমিৎ' থৌরমদা মীওই ১৫০০ গা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা উনদুনা মখোয়গী ৱাকৎ ৬০০ লোম তাখি।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা দিআইপিআরনা শিন্দুনা বিজেপিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা হৌখিবা চহি অমা অসিদা পায়খৎখিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং উৎপা দোকুমেন্টরি ফিল্ম অমসু কাপথোক্তুনা মীয়ামদা উহনখি।

গবর্ণমেন্টকি হোস্পিটালশিংদা অনা লায়েংবগা মরি লৈননা রিএম্বর্সমেন্ট, মেদিকেল এসিষ্টেন্স অমদি হেলঠ কেয়রগী থবকশিংদা মতেং পাংনবা ঙসি মীয়ামগী নুমিৎতা হেলঠ দাইরেক্তোরেট অমসুং জেনিমসগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

অতে অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিং এমওবিসি, সোসিয়েল ৱেলফিয়র অমদি পুলিস দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংসু মীয়ামগী ৱাকৎতা মতেং পীনবা শরুক য়াখি।

ঙসি মীয়ামগী নুমিৎতা লাকপা মীওইশিংগী খুদোং চানবা থৌরাংশিং সিএম সেক্রেটরিয়েটনা পায়খৎপগা লোয়ননা মীয়ামদা চা, থক্লবা ঈশিং অমদি চানবা পোৎলমশিংসু ফংহনখি।

ইমর্জেন্সি ওইবা থবক থৌওংশিং থোক্লকপদা মতেং পানবা এম্বুলেন্স য়াওনা মেদিকেল টিম অমা থমদুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা খঙহৌদনা মৈহৌ লাংপোক্লচিংবা থোক্লপদা কন্নবা মণিপুর ফয়ার সার্বিসকি কাঙবুসু সিএম সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্স মনুংদা লৈখি।

ঙসি মীয়ামগী নুমিৎতা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা বিবি পোল মেন্টেল দিবলপমেন্ট (স্পিসিয়েল স্কুল) হোমগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা চীফ মিনিষ্টর উনবগা লোয়ননা স্পিসিয়েল স্কুল অসিবু গবর্ণমেন্ট এদেদ ইন্সটিট্যুট অমগী থাক্তা ওনখৎনবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবা অদুবু হরাওবা অমদি চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

বিবি পোল মেন্টেল দিবলপমেন্ট হোম (স্পিসিয়েল স্কুল) অসিগী প্রিন্সিপাস টি অনিতানা স্কুল অসিদা হৌজিক হৌজিক মহৈরোয় ১৭০ লৈবগা লোয়ননা মখোয়দা ভোকেসনেল ট্রেনিং অমদি কোকরিকলম এক্তিবিটিশিং মরু ওইনা কার্পেন্টরি, টেলরিং, দান্স অমদি ম্যুজিক্লচিংবশিং তাকপী তম্বীরি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরদা পাউদমখি।

ঙসি রোদ টু লন্দন খোঙচৎ লমথাগনি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ ঃ রোড টু লন্দন ২০১৮ হায়না মীংথোনবা গাড়িদা লম কোয়বগী খোঙচৎ অমা হয়েং ইম্ফালদগী লমথারগনি।

ইম্ফালগী হোটেল ক্লাসিক গ্রন্দেদা ঙসি নুংথিন এদভেঞ্চর্স ওভরলেন্দ প্রাইভেট লিমিটেদকি দাইরেক্টর সঞ্জে মাদাননা হায়, নুমীৎ ৪৯ গী খোঙচৎ অসিদা পুন্না কিলোমিটর ১৬,০০০ অমদি লৈবাক ১৮ লানগনি।

মহাক্না হায়, কম্পনি অসিনা শীনবা ইম্ফালদগী হৌবা অসিগুম্বা খোঙচং হন্দক্কি অসিগা অহুমলকশুবনি। ২০১৩ দা ইম্ফাল–বেঙ্কোক অমদি মমাঙ চহীগী এপ্রিলদা রোড টু লন্দন ২০১৭ মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে।

এদভেঞ্চর্স ওভরলেন্দগী অতোপ্পা দাইরেক্টর টুসার অগরৱালনা হায়, কম্পেনিগী মীওই ৩ য়াওনা পুন্না মীওই ২৯ খোঙচৎ অসিদা শরুক য়ারি। এসয়ুভি ১৫ দা চৎকনি। খোঙচৎলোই ৪ দি মথন্তা থৌজগনি।

লৈবাক খুদিংমক্কি লোকেল ইস্কোর্ট অমদি গাইদ হান্ননা ঙাঙনদুনা থম্বা য়াওনা থৌরাং পুন্নমক লোইরে, জুনগী অহানবা চয়োলদা লন্দন য়ৌরবা মতুং কনভোই অসিদা য়াওরিবা মীওই অমদি গাড়িগা পুন্না জহাজদা হল্লক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

মণিপুরগী সিএম এন বিরেননা হয়েং অয়ুক পুং ৮ দা হোটেল অসিদগী খোঙচৎ অসি লমথাবদা অয়াবা পীরক্লে হায়রি।

মখা লামায় ৫ দা

দ্রগকা মরি লৈননা রিটয়ার্দ দিএসপি ফারে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ দ্রগ লল্লোনবগী কেসকা মরি লৈননা নার্কোটিক এফিয়ার্স এন্দ বোর্দর, নাব মণিপুরনা রিটয়ার্দ দিএসপি অমা ফারবা মতুং মখা তাবা ৱাহং পাউহং তৌনবা পুলিস কষ্টদিদা থমখ্রে।

য়াম্লবা দ্রগশিং ফাবগা মরি লৈননা নাবনা ফারগা পুলিস কষ্টদিদা থমখ্রবা হান্নগী দিএসপি অদুদি এমদি অব্দুল লাতিফ ৬৩ (অপোকপা লৈখিদ্রবা এমদি সহাবুদ্দিন), দ্যুলালেন্দ কবো লৈকায়দা লৈবনি।

নাবকী দিপুটি এসপি টিঐচ ব্রিন্দানা হায়, টমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেম সব–দিবিজনগী মনুং চন্না কৈমায়দা লৈবা ২৩ শুবা আসাম রাইফলসকী কাঙবুনা য়াম্লবা দ্রগ অমা ফাবগা মরি লৈননা পীরকপা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না নাবকী এসপি দল্লিয়ু বাসুগী মীৎয়েং মখাদা নাবকী কাঙবু অমনা থা অসিগী ১৩ গী নুমিদাং পুং ৮.১০ রোম তাবদা দ্যুলালেন্দ কবো লৈকায়দা লৈবা ময়ুমদগী হান্নগী দিএসপি এমদি অব্দুল লাতিফ ফাবনি।

মহাক্না হায়, থা অসিগী ১০ গী নুমিদাং ৱাইরম পুং মঙারোম তাবদা ২৩ শুবা এআরগী কৈমায় পোষ্টতা লৈবা কাঙবুনা ফোর্স ক্রুইজর ভেহিকল (রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এএস১১–এসি / ৬৭১০) অমা চেক তৌবদা ৱার্ল্ড ইজ ইয়োর হায়না খঙনবা নিশা ওইনা শিজিন্নবা টেব্লেট মশিং লাক্ষ অমা য়াওরম্বা থেংনবনি। টেব্লেটশিং অদু কেজি ১১.৩৪ লুম্বনি।

মখা লামায় ৫ দা

জিরি লম্বী লেন মরিগী অফবা লম্বী অমা ওইরকপগী অশা লৈরে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অনিশুবা লাইফ লাইন অমা ওইরিবা নেসনেল হায়ৱে–৩৭ ইম্ফাল–জিরিবাম লম্বী অসি মতম খরগী মতুংদদি লেন মরি পাকপা অফবা লম্বী অমা ওইরকপা য়াবগী অশা লৈরে।

নেসনেল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট কোর্পোরেসন, এনঐচআইদিসিএলদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না মণিপুরগী অনিশুবা লাইফ লাইন ওইরিবা কিলোমিটর ২২০ লোম শাংবা ইম্ফাল–জিরিবাম লম্বী অসি শাথিনা ফত্তবা ফিবম অমা লৈরম্বা অদু কম্পনি অসিগী মখাদা কন্ট্রেক্তর মরি থাজিন্দুনা লম্বী শেম্বগী অকনবা থবক লৌখৎলকপদগী লম্বী লমশাং অসি হৌজিকমক্কী ওইনা থুংনবা কয়লাস থাবা ঙমদ্রগসু নান্না চৎপা য়াবা লম্বী অমদি ওইরে।

নিংশিংবা য়াই মতম অমদা ইম্ফাল–জিরিবাম লম্বীগী ৱাফম পল্লকপদা য়াম্না নিংবা কায়নিংঙাই ওইবতা নত্তনা ষ্টেট অসিগী ওইনা য়াম্না তঙাই ফদনা তৌদবা য়াদ্রবা মাংদা তাদুনা লৈবা ৱাফম অমা ওইখিবনি।

এনঐচআইদিসিএলদগী ফংবা পাউ অসিনা মখা তানা হায়, লম্বী অসি শেম্নবা অমদি চহি অনি মেন্টিনেন্স ৱার্ককী থাজিনখিবা কন্ট্রেক্তর মরি অদুদি ঐচভিএস কন্সট্রক্সন প্রাইবেট লিমিটেদ, নিধি ক্রিয়েটিব প্রাইবেট লিমিটেদ, বিআইপিএল অমসুং এলদিএস কন্সট্রক্সন প্রাইবেট লিমিটেদনি।

কন্ট্রেক্তর মরিনা শুরিবা চহি অনিগী মেন্টিনেন্স ৱার্ককী থবক অসিদা অহানবা চহি অমা হৌখ্রে। অহানবা চহি অসিগী মনুংদা তৌগদবা থবকশিং তৌবা লোইদুনা নেচর ওফ ৱার্ককী মতুং ইন্না কয়লাস থাবা ফাওবা লোইরে। লেমহৌরিবা চহি অমা অসিগী মতমনা ২০১৯ গী মার্চ থা ফাওবনি।

লেমহৌরিবা চহি অমা অসিগী মনুংদা কন্ট্রেক্তরশিং অসিনা মখোয়না শুখিবা থবক অদুগী দিফেক্ট লাইএবিলিটি পেরদ ওইনা মেন্টিনেন্স তৌগনি। অমরোমদা কন্ট্রেক্তর মরি অসিদা মেন্টিনেন্স ৱার্ককী থবক পীবদা য়াওদবা লম্বীগী শরুক (পোর্সনশিং) কয়লাস থানবা লুপা ক্রোর ৪৪ রোমগী ৱার্ক ওর্দর পীনবা টেন্দরসু অথুবা মতমদা তৌনবা প্রোসেস চথরি হায়রি।

২০১৯ গী মার্চ থাগী মতুং মখা তাবা ওইনা ইম্ফাল–জিরিবাম লম্বী অসি মপুং ফাবা লেন মরিগী থাক্তা পাকপা অফবা লম্বী অমা ওইনা শেম্নবগী প্রোজেক্ট অমা পায়খৎনবা থৌরাং লৈরে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিনা মখা তারদুনা অচৌবা শেনফম অমা থাদদুনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অসিগী দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট (দিপিআর) শাবগী থবকসু কন্সলটেন্ট অমদা শিন্নরগা চথরি। দিপিআর শাবগী থবক চহি অমগী মনুংদা লোইগনি। অপিবা মতম চহি অমদুগী মনুংদা হৌজিক থা অহুম মরিরোম হৌজিনখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল–জিরিবাম অসি নৌনা এলাইনমেন্ট তৌবগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা লেন অনি অসিদগী লেন মরিগী থাক্তা পাকথোক্কদবা প্রোজেক্ট অসিগী মতম অসি চহি নিপাননি। চহি নিপান অসিগী মনুংদা চহি অহুমনা কন্সট্রক্সন পেরদনি অদুগা লেমহৌরিবা চহি মঙাগী দিফেক্ট লাইএবিলিটি পেরদনি হায়বা ৱাফমসু এনঐচআইদিসিএলদগী ফংবা পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অসি ফাওদুনা চৎলিবা নেসনেল হায়ৱেশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা হায়ৱে অসি মাও–ইম্ফাল–মোরে লম্বী অমসুং ইম্ফাল–জিরিবাম লম্বী অসিনি। মাও–ইম্ফাল–মোরেগীনা দিমাপুর ফাওবা লেন মরি পাকথোক্লগা শম্নহন্নবগী কন্সেপ অমা চহি মরিগী মমাংদগী লাকখ্রবনি। কন্সেপ অসিগী মতুং ইন্না ইম্ফাল–মোরে লম্বীগী কোংখাং ফাওবা লেন মরিগী থাক্তা পাকথোক্লবা থবক য়াম্না কন্না লৌখৎলিবনি।

নোংমৈ অশাবনা শেন লৌগে তৌরম্লে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ নোংমৈ অশাবা পায়রগা মীওই অমদগী লুপা লিশিং ১০ লৌননবা হোৎনরবা মীওই অনি ঙসি খুঞ্জাশিংনা ফারগা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

ফারবা মীওই অনি অদুদি থেনখোঙম মাটে অমসুং সোইলেঙেন কৌই, মখোয় অনিমক দি লৈকোৎ খুন্দা লৈবনি। মখোয় অনিনা অশাবা নোংমৈ পায়রগা চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসন্দগী কিলোমিটর নিপাল্লোম লাপ্পা লৈবা ইমানুয়েল খোপিদা লৈবা চিনশোনপৌ কৌবা অমদগী লুপা লিশিং ১০ লৌনবা হোৎনরম্বনি।

চহি ৪০ রোম মফম খঙলুদ্রবা অমা সোসিয়েল মেদিয়াদগী মফম খঙলে

লৌবা চৎনবা শেনগী খনবদা ফুম্বংনহৌরি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ ঃ য়াম্না তাংনা থোকপা থৌদোক অমদা ঙসিদগী চহি ৪০ রোমগী মমাংদগী মফম খঙখিদ্রবা মীওই অমা সোসিয়েল মেদিয়াগী মতেংদগী মুম্বাইগী বন্দ্রা পুলিস ষ্টেসনদা লৈরে হায়বা ইমুং মনুংনা খঙবা ঙমবদগী ইমুং–মনুং, মচিন মনাওশিংদি হরাওবগী পম্খৈ লৈখিদরে। অদুবু মীওই অদুগী ইমুং–মনুংদি শুজ–নোমজরগা নোংমগী হাতে–হাতে চাবা ওইবনা মুম্বাইদা লৈরবা মীওই অদু লৌবা চৎপা অমদি হল্লকপদা চংগদবা শেনফম অদুগী খনবদা অৱাবা অমা ওইহৌরি।

থাজরুদ্রবসু নুমীৎ খরনিগী মতুংদা পোক্লফম মরমদম খুম্বোং মমাং লৈকাইদা মীয়াম্না অমুক হন্না উবা ফংলগদবা মীওই অদুগী মমিং খোমদ্রাম গমভির সিংহ কৌই। অপোকপগী মমিং লৈখিদ্রবা খোমদ্রাম লক্সমন কৌই। মহাক ঙসিদগী চহি ৪০ রোমগী মমাংদগী ময়ুমদগী থোকখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকপনি। অপোকপী মমাদি মহাক্কী মরি মখোঙ খঙদনা লৈখিদ্রবনি। মহাক্কী কুঠি অমদি চহি তাকপা য়াবা চে–চাংনচিংবা অমত্তা লৈত্রবসু মহাক্কী হেক পোকমিন্নবা মনাওনুপা খোমদ্রাম কুল্লচন্দ্রনদি ময়াম্বা গমভির অসি চাওরাক্লা চহি ৭০ রোম শুরল্লবা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লি।

খুম্বোং মমাং লৈকাইদা লৈবা খোমদ্রাম কুল্লচন্দ্রগী ময়ুমদা চত্তুনা ঙসি উন্নরুবদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোরকখিবনি। পাউ চে অসিগা উন্নরুবা অদুদা কুল্লচন্দ্রনা হায়, মহাক্কী ময়াম্বা গমভির অহানবা মণিপুর রাইফলসতা রাইফলমেন ওইরম্মী। চহি ৭ লোম থবক তৌরল্লবা মতুং থবক তোকথোক্লগা ইমুং মনুংগী লৌ–ইখোল কোয়দুনা লৈবনি। অদুগা খঙহৌদনা য়ুম থাদোক্লগা চৎখিবদগী ঙসিদগী চাওরাক্লা চহি ৪০ রোম অসি মরি মখোং অমদি মশক উবা ফংদনা লাকপনি।

কুল্লচন্দ্রনা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী ময়াম্বনা ময়ুম থাদোক্লগা চৎখিবা অদু মহাক্না (কুল্লচন্দ্র) চহি ১৭ লোম শুবা অদুৱাইদনি। হৌজিক্তি মহাক মশাগী চহি ৫৭ /৫৮ শুরে হায়রি।

কুল্লচন্দ্রনা হায়, মহাক্কী ময়াম্বা গমভির অসি নহা ওইরিঙৈদা মশক মতৌগা য়াম্না ফজবা মীওইনি। মহাক ময়ুম পানবা থা অহুমলোম শুরকপা অদুৱাইদা নুপী কায়নখি। মদুদগী ময়ুমদা মতম খরা লৈরল্লবা মতুং লংফৈদা থবক শুবা চৎপনি হায়দুনা চৎখ্রগা হল্লকখিদবনি।

মখোয় মচিন মনাও নুপী ৩, নুপা ৪ পুন্না ৭ কী মনুংদা ময়াম্বা গমভিরনা অহুমশুবনি । নুপাদনা ময়াম্বা গমভিরনা খ্বাইদগী অহলনি। মতম কুইরবগী মমাংদা খঙন চান্নবশিংনা মহাক্কী ময়াম্বদু দিল্লিদা লৈহৌবা থেংনরকই হায়না ৱারি তৌরকপদি লৈখি। অদুবু চপ চাবা মরি মখোংদি খঙবা ঙমদনা লৈরকখি। মহাক্কী ময়াম্বা ঙসিদি মুম্বাইগী বন্দ্রা পুলিস ষ্টেসন্দা লৈরে তাবদা মমিত্তগী মপি তাবা মখে অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফোঙদোরকখি। মহাক্কী ময়াম্বগী মরি মখোং খঙবা ঙল্লকখিবগী ৱারি লিরদুনা মহাক্লা হায়, লৈকায়গী ক্লবকি মীওইশিং অমদি খঙন চান্নবশিংনা পাউ পীরকপগা লোয়ননা মথং–মথং পাংশোই পুলিস ষ্টেসন অমসুং বন্দ্রা পুলিস ষ্টেসন অনীগী মরক্তা পাউ ফাওনরবা মতুং মহাক্কী ময়াম্বা গমভির মফম অদুদা তেক্তকায়দনা লৈরে হায়বসি চপ চানা খঙবা ঙমখিবনি। ঙসিসু ভিডিসল কোল্লিংগী মতেংনা মচিল মনাও শক্লা–শক্লা উনবা ফংখি হায়না ফোঙদোরকখি।

গমভিরগী মরি মখোং থিদোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট ষ্টুদেন্টস ক্লব, খুম্বোংগী সেক্রেটরি অতোম সমরেন্দ্রানা অমসুং ক্লব অদুগী মেম্বর লৈচোম্বম রোমেন অনীনা হায়, নুমীৎ খরনিগী মমাংদা অরুনাচল প্রদেসতা লৈবা অহৈবম দিনমনিনা মখোয়দা মৈতে মচা অমা মুম্বাইগী বান্দ্রা বাজার রোডতা কোইচৎ চত্তুনা লৈবগী ভিদিও ফুটেজ অমা য়ু–ট্যুবতা থাগৎপগী পাউ পীরকখি। ফিরোজ সকির কৌবা ষ্ট্রিট ফোটোগ্রাফর অদুনা থাগৎপা য়ু–ট্যুবকি ভিদিও অদুদা খোমদ্রাম গমভিরনা হিন্দি ফিল্মগী অরিবা ঈশৈ অমা শকপগা লোয়ননা মহাক্কী মমিং গমভির কৌই, ইম্ফাল মণিপুরদগীনি হায়না ফোঙদোকই। ভিদিও অদু তশেংবদি ২০১৭ গী ওক্তোবর ১৭ তা

মখা লামায় ৫ দা

মণিপুরীবু ক্লাসিকেল লেঙ্গৈইজ ওইহন্নবা খন্নখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ দাইরেক্টোরেট ওফ লেঙ্গৈইজ প্লানিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেঙ্গৈইজ ষ্টেটসকী থাক্তা পুখৎনবগী মতাংদা নুমিৎ হুম্নি চথগদবা কনফরেন্স অমা ঙসিদগী সঞ্জেন্থোংদা ষ্টেট গেষ্ট হাউসকী কনফরেন্স হোলদা হৌখ্রে।

কনফরেন্স হৌদোকপগী থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, এদুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট অমদি লেঙ্গৈইজ এক্তিবিষ্ট লৈহাওথাবম শরতচন্দ্রা শর্ম্মা অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী দাইরেক্টর উতম অনিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা হায়, মণিপুরী লোনবু ক্লাসিকেল লেঙ্গৈইজদা পুখৎনবা খন্ন–নৈনবা মীফম অখঙ–অহৈ কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসি য়াম্না মতম চাই অমদি অফবা খোঙথাং অমনি।

মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা ক্লাসিকেল লেঙ্গৈইজ হায়বসি করিনো অমদি ক্লাসিকেল লেঙ্গৈইজদা চলহন্নবা হোৎনবদা লেঙ্গৈইজ অমদি ফিলোজোফিগী আইটেমশিং মমুৎ তানা থিদোকপা চংই হায়বা ৱাফম থমখি।

হৌজিক্কি মতমসিদদি মশাগী আইদেন্টিটি খঙনরক্লবনি অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা ইশাগী লোল খঙগে হায়বা তারগদি খুনাই মশক খঙবা চংই অমদি ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বশিংসু মশক খঙবা তাই। মরাথি লোল হৌজিক ক্লাসিকেল

মখা লামায় ৫ দা

কেসিপিগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ কেসিবিগী ৩৮ লক শুবা মপোক নুমিৎকি কুমওন থৌরম পার্টিগী সিঐচক্যু, জিঐচক্যু ১৪১ বটালিয়ন, ট্রেনিং সেন্টর, মোবাইল য়ুনিট অমসুং য়ুনাইটেড বেজ কেম্পতা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

লূপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী মেম্বর–ইন–চার্জ এস মঙালগী চেরোল অমনা হায়, য়ুনাইটেড বেজ কেম্পতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ডিপ্যুটি ফাইনান্স সেক্রেটরি–১ এনজি খুমন, কেম্প কম্মান্দর এন চন অমসুং সেকেন্দ ইন কম্মান্দর এল গুলিবানা মথংশিৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংলেন ওইখি।

অথোইবা মীথুংলেননা মৈরা চুখৎতুনা, থৌরম মপুনা লুপকি ফিরাল চিংখৎতুনা থৌরম অদু হৌদোকখিবগা লোয়ননা নুমিৎতুদা পীখিবা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা হৌজিক ওইরিবা লুপকি অমদি য়াওলগী ফিভমশিং অসি ঐখোয়না ওইহন্নিংবা পোৎফমদা তানবা হৌখিবা মতম কয়াদা ঐখোয়গী ৱাখলদা শাগৎলকখিবশিং অদু থবক্তা ওন্থোরকপগী মহৈনি হায়না পনখি হায়রি।

লুপকি অমদি য়াওলগী অশোয়বা চুমথোক্কে হায়রবদি ঐখোয়গী ৱাখল খনবগী পরিং চুমথোকফম থোকই, ৱাখল খনবগী পরিং চুল্লগদি থবক তৌবগী পরমসু তাগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি হায়রি।



থৌরম মপুগী ৱারোলদা য়াওল্লোয় শাবশিংনা ঙসিসু য়াওল্লোয়শিংবু চিংথবা লেপত্রি হায়না পল্লদুনা ঈশিংগা শঙ্গোমগা য়ানশিন্নরবদি খুদক্তা তোঙান তোঙান্না খায়দোকপা ৱাই, অদুবু মৈ থারকপদা ঈশিংনা মনিল ওইনা মাঙখিগনি, শঙ্গোমখক্তমক লৈহৌরগনি হায়বা ৱাফম থমখি হায়রি।

অসুম্না, য়াওলগী খোঙথাংনা লুশিল্লকপদা য়াওল্লোয়

মখা লামায় ৫ দা

Email: sangaiexpress@rediffmail.com, sangaiinfo@gmail.com, sangai_news@yahoo.com POSTAL REGN NO. NE/MN-402 PHONES -- NEWS-SECTION: 8131070082, ADVERTISEMENT SECTION: 9774436438 & 8415927159